# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-08-2025)**

**ডে(এল) ঃ** মণিপুরদা ঙসি অথৌবশিংগী নুমিৎ-পেট্রিওটস ডে পাঙথোক্লি।

ইং ১৮৯১ দা মরৈবাক মণিপুরবু ঙাক শেন্নবগীদমক শোকখিবা এঙ্গলো মণিপুরী লানদা লৈখিদ্রবা লমদম অসিগী থৌনা ফরবশিংবু নিংশিংদুনা চহী খুদিংগী ওগষ্ট ১৩ অসি অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোক্লি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা ইম্ফালগী মরুওইবা লম্বীশিংদা প্রভাত ফেরি চৎখি।

মপুং ওইবা থৌরম হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং পুং ৮ তাবা মতমদা ইম্ফালগী মোইরাংখোম হিচম য়াইচমপাৎতা লৈবা য়ুবরাজ বির টিকেন্দ্রজিৎকী সমাধিদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা লুচিংদুনা লৈ কৎকনি। মফম অসিদা লুচিংবা অসিগী মফমদা লাস্ত পোষ্ট খোঙবা, গার্দ ওফ ওনর অমসুং গন সেলুট পীদুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

মসিগী তুংদা, পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফালদা থঙ্গাল জেনরেলগী মন্দিরদা রাজ্যপালনা লুচিংদুনা লৈ কৎলবা মতুং, লাস্ত পোস খোঙবা, গার্দ ওফ ওনর অমসুং গন সেলুট পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

নুংথিলদা রাজ্যপালনা লুচিংদুনা ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদা চৎতুনা কংলা উত্রাদা লৈ কৎলবা মতুং বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্কতা লৈবা সহিদ মিনর তমা খোঙ লাক্কনি। মফম অদুদা মহাকা লুচিংদুনা লৈ কৎলবা মতুংদা ইং ১৮৯১ গী লানগা মরী লৈননা মীরমদা লোই থাখ্রবশিংগীদমক খিনবা নীংশিং নুঙবীদা লৈ কৎকনি। মদুগী তুংদা, মফম অদুদা তিল্লিবা মীয়ামদা রাজ্যপালনা ৱা ঙাংগনি।

অথৌবশিংগী নুমিৎ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিং, সংস্থানশিং অমদি মনিপুরিশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদসু পাঙথোক্লি।

**ত্রাফিক (এল)ঃ** অথৌবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা লম্বীগী চখোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি। ইম্ফালগী মোইরাংখোমদা লৈবা হিচম য়াইচমপাৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরমগী য়েংলগা শিংজমৈ রোমদগী লাকপা গাড়িশিং শিংজমৈ থোং অমসুং পিসুম থোং লোমদা থৈদুনা চৎখিগদবনি। ময়াং ইম্ফালদগী লাক্কদবা গাড়িশিং কৈশামথোং ফাওরগা চৎপা য়ারোই। ইম্ফাল জেনরেল পোষ্ট ওফিসতগী শিংজমৈ লম্বী তমা চৎকদবা গাড়িশিং শঞ্জেনথোং অমসুং নিত্যাইপাৎ চুথেক লোমদা থৈদুনা চৎহনগনি।

নুংথিলদা কংলা অমসুং বি.টি পার্কতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম মনুংদা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেট অমসুং বি.টি রোদকী পরিং গারি চখোক চৎশিন তৌবা অথিংবা থমগনি হায়না ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অথৌবশিংগী নুমিৎনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা, মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**ঠিয়েটর (এল)ঃ** চহি খুদিংগী আগষ্ট ১৩ দা রুপমহল ঠিয়েটরনা শান্নবা দ্রামা-বির টিকেন্দ্রজিৎ ঙসিসু মীয়ামদা খুদোল তমগদৌরি। নংথিল পুং ৫ মখায়দা উৎকদৌরিবা সো পারগা ঠিয়েটর অসিনা দ্রামা অসি শান্নবা ২৫০ শুবনি।

রুপমহল ঠিয়েটরগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মৈত্রম বিরানা ইরম্বা বির টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামা অসি ইং ১৯৫১ গী আগষ্ট ১৩ দগী চহি খুদিংগী উৎতুনা লাকপনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক চথবদা চুরাচান্দপুর জিলাদগী খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

মনিপুর পুলিসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী দামপি রিদজতগী সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম, শান্না কাপ্পা য়াবা মোটার পম্পী মঙা, আই.ই.দি. তরেৎ, বুল্লেট প্রুব জেকেট অনি, মোরটোরোলাগী রেদিও অনি, চাজর অমা অমসুং হেলটমেট অনি ফাগৎলে হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা মনিপুর পুলিসনা ঙরাং ককচিং জিলাগী হিয়াংলম অৱাং লৈকাইদগী প্রিপাক (প্রো) গী নুপী কাডর অমা ফাখি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মনিপুর পুলিসনা য়ুঙাং বোটল ৪০ অমসুং য়ুঙৌ লিটর ৪৬৪ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফাগৎখি। পোৎলমশিং অদু এক্সাইস বিভাগতা শিন্নখ্রে হায়রি।

**সংসদঃ** সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম ঙরাং হঞ্জিন হঞ্জিন য়ৈথোকখ্রবা মতুং থা অসিগী ১৮ দা অমুক হন্না ফম্লগনি।

বিহারদা চৎথরিবা অখন্নবা ইলেক্তোরেলগী ইনটেন্সিব রিভিজনগী মতাংদা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা হঞ্জিন হঞ্জিন য়ৈথোকখি। চরাংনবা মরক্তা লোক সভানা মাইন্স এন্দ মিনরেলস (দিবলপমেন্ট এন্দ রিগুলেসন) এমেন্দমেন্ট বিল-২০২৫ পাস তৌখি। শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ইনসোলভেন্সি এন্দ বেঙ্ক্রুপসি কোড (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৫ সভাদা পুথোক্লবা মতুং সেলেক্সন কমিতিদা থাদখি।

সভাগী চেয়ারদা বিরোধিগী সদস্যশিংনা চে লংশিনখিববু পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজুনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। মহাকা হায়-থৌদোক অদু সভাগী চৎন-কাঙলোনগী মায়োক্তনি। মহাকা হায়-সদস্যশিংনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক খন্ন-নৈনবশিংদা শরুক য়াগদবনি।

রাজ্য সভাদসু ফিভম অসি চপ মান্ননা লৈখি। সভানা নেসনেল স্পোর্টস গভরনান্স বিল-২০২৫ অমসুং এন্টি দোপিং (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৫

পুখৎতুনা পাস তৌনবা হোৎনখি। অদুমওইনমক, চরাংনবা থোকপদগী মীফম য়েথোকখি। তুংদা, সভানা বিল অনি অসি পাস তৌখি। সভানা ইনকম টেক্স (নম্বর টু) বিল-২০২৫ অমসুং টেক্সেসন লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৫ অয়াবা পীখি।

**নোং ঃ** অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অখাক অরাওগা লোয়ননা ময়াই ওইরপ্পদগী নোং কন্না চুরবা য়াই হায়রি।

মেট বিভাগনা হায়-লৈবাক্কী কোনুং দিল্লি, পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাগী মফম কয়াদসু ঙসি নোং কন্না চুগনি। তেলঙ্গানাগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুগনি হায়না রেট এলার্ট লাউথোকখ্রে। অৱাং ভারত, নোংপোক অমসুং খা ভারতকী মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা নোং কন্না চুগনি।

উত্তরাখন্দগী উত্তরাকাসি জিলাগী ধারালি-হরসিল লমদমদা থোকখিবা থৌদোক্তা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওইশিং থিবগী থবক লেপ্তুনা চখুরি। হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ১,৩০৮ কনবা ঙমখ্রে। উত্তরাকাসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা থৌদোক অদুদা নেপালদগী মীওই ২৫ য়াওনা মীওই ৬৮ থিবা খঙদ্রি হায়রি।

জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী মফম কয়াদা খঙহৌদনা থোরকপা ঈশিং ঈচাওনা জিলা অমগা জিলা অমগা লম্বী ফাওনদ্রে। মফম কয়াদা চিং নিংখায়বা অমসুং লৈখোম লৈনাং চেন্থরক্তুনা চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। রাজোরি, রিয়াসি অমসুং পুঞ্চ জিলাদা লৈবা স্কুলশিং ছুতি থাদোকখে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংশিংদা অখন্নবা পেকেজ পীনবা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং খঙদোকবা রাজ্য সভাগী এম.পি.সনাজাউবা লৈশেম্বনা

কেন্দ্র সরকারদা তকশিনখিবা, দ্রগকী কেসতা চেন্নবশিংদি পুলিস ওইরবসু অমত্ত লেমা থারোই হায়না দি.জি.পিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমদি অধার কার্ডনা লৈবাক অসিগী সিটিজননি হায়বগী খুদম চাংদম ওইবা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-আই.দি.পিশিংদা মতেং পাংনবা, আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপা থিংনবা সেন্টরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি সনা লৈবাক, পোকফম, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসনচিংবা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

দ্রগকী কেসতা চেন্নবশিংদি পুলিস ওইরবসু অমত্তা লেমা থারোই-দি.জি.পি, সসপেন্দ তৌখিবা পুলিস পার্সোনেল মঙা শুখে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ষ্টেটকী থাক্তা ইন্টরনেসনেল য়ুথ ডে পাঙথোকখ্রে, অওনবা খুন্নাই অমা পুরকবা নহাশিংদা থৌদাং লৌবা চংই হায়না রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোক ফমদনা-নহাশিংবু পাঙ্গল থৌনা হাপ্তুনা সসটেনেবল দিবলপমেন্ট গোলশিং ফংনবা চংশিনমীন্নসি-গভনর হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-অধার কার্ডনা লৈবাক অসিগী সিটিজননি হায়বগী খুদম চাংদম ওইবা য়ারোহ হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লৈঙাকা থাজবা পীরকপদগী পি.এম.জে.এ.ৱাইগী কার্ড পায়বশিংনা হান্নগুমা শেল তিংদনা লায়েংবা য়ারগনি হায়না পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপ্র মেলদা-গভনরনা হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেইন বাইক রেল্লি

লমথাখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-মফম খরদা অবার্ন রোড প্রোজেক্টকী থবক হৌরে। ইন্ফালগী মরুওইবা লম্বী খরদা রিজিদ পেভমেন্টকী থবকশিং পায়খৎপা হৌরে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-সরকারনা থাজবা পীরকপদগী লন্নাই হোস্পিতালশিং হান্নগুমা পি.এম.জে.এ.ৱাইগী মখাদা লায়েং হৌরগনি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-তমেংলোং জিলাদা পি.এম. পোসান মিদ ডে মিল স্কিম এপ শিজিন্নদুনা মোনিটর তৌবা হৌরগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিং হান্না খন্দোক্কদবনি-এম.পি. সনাজাউবা হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।